হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, সেপ্টেম্বর ১৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৭১ শুবা মশীং

# সী এমগী চুড়াচান্দপুর খোঙচৎ

## *নোংফাদোক মনুং হঞ্জিনবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু চৎহন্নিংই*

**হৌখিবা** মার্চ ১৫দা নোংথোম্বম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা তুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা চৎপা অহুল্লক শুরে। খ্বাইদগী ইহান-হান্না চৎপা খোঙচৎ অদু এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা শীনবা সেমিনার অমগা মরী লৈনননি। অদুগা অনীরকশুবা অমসুং অহুল্লকশুবা খোঙচৎনা মহাকপু মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকপগীনি। অহানবগী ওকপদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকপগীনি অদুগা অকোনবগীসিনা মহাক্না চীংমী অমসুং তম্মীগী নকশিন্নবা মরী থম্নবা হোৎনবা ওইনা চীংদা চৎলু হায়বা মহাক্কী খোল্লাউ অদুবু তরাম্না ওকপগী ওইগদ্রা হায়না খল্লি। খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা শীংথানবা য়াবা ৱাফম খরদং পনবা তারবদি কাঙলূপ মশেল তোখায় তানগদবা বিল অমত্তা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পুথোক্লোই, মোরেগী মথংদা বেহিয়াংবু ইন্দিয়াগী হোজং ওইহনগনি, মমাঙগী গভর্ণমেন্ট মতমদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াগী অয়াবা ঙাইরি, চুড়াচান্দপুর অমসুং ফের্জোল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা লুপা ক্রোর ৩০০ থাদরগনি, অতোপ্পা লুপা ক্রোর ৩৮৬ রোম চঙগদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগী প্রপোজেল সেন্টরদা থাখ্রে, হেংলেপকী লম্বী শেম্নবা লুপা ক্রোর ৫৮ কায়থোক্লে অমসুং চীং-তম অনীগী মরক্তা লৈরম্বা থাজনদবশিং কোকহনবা ঙম্লে হায়বনচিংবশিং অসিনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়াম তিনবা থৌরমদা ৱা ঙাঙবদা মীয়াম্না ময়া কাখৎলগা পূক্নিং চঙনা তাবগুম চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হিয়াংতম লমকা পব্লিক গ্রাউন্দদা মহাকপু ওকপগী থৌরমদা ঙাঙখিবা ৱাফমশিং অদু মীয়াম্না পূক্নিং চঙনা তানখি। চীফ মিনিষ্টরনা চুড়াচান্দপুর অমসুং ফের্জোলগী চাওখৎ-থৌরাংগী শেনফম লুপা ক্রোর ৩০০ রোম থাদরগনি হায়খিবা ৱাফম অদুনা হেন্না হরাওনখি। শোথরবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক পায়খৎকনি হায়না ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর অমনা লাউথোকপা হায়বসিদগী হেন্না নুংঙাইবা অতৈ লৈরম্লোই। তৌবতদি লুপা ক্রোর ৩০০গী থবকশিং অদু হান্নদগী হৌনা পায়খৎলবা থবকশিংগীরা নৎত্রগা ইনৌ নৌনা পায়খৎকদৌরিবা থবকশিংগীরা হায়বদুমতং লাউথোক্লম্লবদি মীয়াম্না হেন্না নুংঙাইনরমগদবনি।

ষ্টেট অমদা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক হায়রগা মীয়াম্না লৌনরিবসি লম্বী-থোংগী ফীভম নীংথিজনা ফহনবা, অনা-লায়েংশঙ মফম চানা মথৌ তৌহনবা, মহৈ-মশিন তম্বগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং নীংথিনা শেমগৎপদা নত্তনা ওজা ৱাৎহন্দবা, মৈ অমসুং ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা অমদি পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী মখাদা ফংহল্লিবা পোৎলমশিং চাং চানা অমসুং মরম চানা অকক্লবা মতমগী মনুংদা ফংহনবদুনি। হায়রিবা থবকশিং অসি চপ চানা তৌরব্রা, করি অহোবা লৈরিবগে হায়বা মুন্না খন্থরগদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মমাঙদা পানখিবা অমসুং হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পীরিবা সার্বিসশিং পেন্নিংঙাই ওইরমগনি হায়না লৌদে। লৈঙাক্লা থবক অমা তৌরমদাইদা নৎত্রগা মীয়ামদা থবক অমা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোক্লমদাইদা লৈঙাক্কী শেঙ্গাউদা শেল কয়া য়াম্না য়াওরিবগে, করম করম্বা থবক্তা শীজিন্ননবা বজেটতা হাপখ্রবগে হায়বদুমা য়েংদবা য়াদে। বজেটতা শেল হাপ্পুনা থবক অমা অথুবা মতমদা পায়খৎকনি হায়না কনাগুম্বনা লাউথোকপা থোক্লবদি থবকশিং অদু কদাইদগী শেনফমনা কমদৌনা পায়খৎকদৌরিবনো হায়বা ৱাহং অসি শোয়দনা হংনগনি। ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী লম্বী-থোংগী ফীভম অদুক্কী মতিক ফত্তে। সব-দিভিজনেল হেদক্বার্টরশিংগা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরগা শম্নরিবা লম্বীশিং নোংজু থাগী মতমদা ফাওনবা ঙমদে। ডোক্টরশিং লায়েংশঙদা লৈতবনা মরম ওইরদুনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা শগাই শারগা খুন্নীশিংনা পুথোরকপগী ফোটোগ্রাফ হৌজিকসু উবা ফংলি। লৈঙাক্লা মতিক চারে হায়দুনা হাপখিবা ওজাশিংনা ময়ুমদা লৈরগা খুঞ্জাশিংনা হাপ্পা মতিক চাদবা মীওইনা ওজা ওইরগা লাইরিক তাকপীবা মহৈশঙ কয়া লৈরি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি চীফ মিনিষ্টরনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎপা হায়বসি মীয়ামগী ওইনদি লাইবক ফবনি। থা খূদিংগী তাং ১০দা চীংমী লূচিংবশিংগা উনবগী নুমিৎ ওইজরগসু হকথেংননা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু উহন্নবা নৎত্রগা খঙহন্নবগী খুদোংচাবা খোঙচৎ অসিদা ফংগনি। মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টরবু দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা ওকপগী মহুত্তা খজিক্তং মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদসু ওকপীয়ু। চীফ মিনিষ্টরনসু দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা মীৎয়েং থম্বগী মহুত্তা সব-দিভিজনেল হেদক্বার্টরশিংদসু চৎহঞ্জজনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## হন্দক্কী ইরাৎ থৌনিসিদা হাওসিসু মতোন চোঙলক্কদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লৈঙাক্কী** লুক ইষ্ট পোলিসি প্রোগ্রামগী মখাদা লমদমসিগী ওইনা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা ফনা য়াম্না থিংদুনসু অহোইনদুম হেনগৎলক্লি। যু য়োনবা, জ্বার শান্নবা, হাওসি শান্নবা, গঞ্জা থকপা মখল খুদিংগী মাঙবা য়াবশিংসি থিংবগী অচৌবা খোঙজং অমা চঙশিন্দুনা চত্থরক্লিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইগী মশকনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা মী মাঙহল্লি, মসিগা লোয়ননা মরল-মথুম কয়া অমা মাঙহনবগী পাম্মুবা লৈতবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবশিংগী মফমদা অদুমক থোক্তুনা লৈরিবনি।

হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী চৎনবীগী মতুং ইন্না লাইগী থৌরম তৌবা হৌগদৌরিবনিনা পান্থোইবী ইমাবু ইরাৎপগী মমিংদা হাওসি তৌবা মসিসু তৌদবা য়াদ্রবা চৎনবী অমা ওইনা তৌরক্কদৌরি। হাওসি হায়বা খূৎশান্নসি মুন্না খল্লুরবদি চাওখ্রবা জ্বার মখল অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। লাইগী মমিং লৌরগা হাওসি শান্নরকপা অথিংবা লৈনা লৈনা ইরাৎ পুজানা নমহৎকদৌরি। শান্নদ্রবসু য়ারবা হাওসিনা ফন্দ ফজনা তানবগী মতাংদদি হাওসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈতবনি। হন্দক্কী মতাংসিদা খুদোংচাবা লৌহৌনবগীদমক ইমা পান্থোইবী, ইমা দুর্গা, অনীসিদা ময়েক শেংনা তাগদৌরি। লাই লাৎপগী পরমগা হাওসিগা পূনশিন্দুনা শেন্দান লম্বী ওইদুনা থিংনা-থিংনা ধুম-ধামগী কুম্মৈদা শোয়দনা পূনশিন্নগদৌরি। মুখৎপগী মুখৎপা হাওসিদি তৌহন্দবনা ফবনি। মতিক ময়াই লৈবা প্রাইজ খরা থেন্দুনা থল্লগা নমদনা টিকেট ককনীংবগী অপান্থা ওইহনবা লৈবসু লৈতবসু লাইবক য়েংবীগী ৱাখল নমদনা হাওসিদা মায় ওনশিনহনগদৌরি।

পুজা মনুংদা হাওসি তৌদুনা ফন্দ খোমগৎলিবা য়ক লাওবা চৎনবী থিংনা-থিংনা করিগুম্বা মফম খরদা হাওসি তৌনবগীদমক কল্লকনীংঙাই ওইরবা প্রাইজ কয়া থেন্দুনা ইফোং ফোংনা থম্নরক্লি। মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌরিবা হেক য়েংবদা উরিবা মফমদা শেন্দান লম্বীগী প্রাইজ ময়াম অমা থল্লকপা অথিংবা লৈনা লৈনা শোয়দনা অয়াবা ফংগনি খন্দুনা শেম শারিবা অদুদা অয়াবা পীদৌরিব্রা নৎত্রগা পীরোইদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং খরদি অদুমক হংনীংঙাই ওইরি। শান্নবদি লায়রদুনা হাওসি মরু, টিকেট য়োনবা ফাওবা য়াদবগী অথিংবা লৈনা লৈনা কদোমদগী করম তৌনা ফন্দ ফংনবনি হায়দুনা বম্পর হাওসি তৌদৌরিবা? বম্পর হাওসি অমা শান্নবদা মিনি হাওসিগী টিকেট থাদুনা শান্নরবা মতুংদা পুংলোই লোইরমদাইদা বম্পর হাওসি শান্নদৌরিবনি। হন্দক্কী মতাংসিদা অকনবা অথিংবা অমা লৈত্রগদি শোয়দনমক্কী নিঙোল চাক্তৌবদসু তৌরক্কদৌরিবনি।

হাওসি নত্তবা অতোপ্পা মখলদা ফন্দ খোমগৎপা য়াবা লম্বী থিবনা খুন্নাইসিগী অফবা ওইরক্ল বগীদমক লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা য়ক লাওনা অথিংবা থল্লিবা অসিগুম্না থিংবদা হাওসিবু পামজবদশিংনা লৈঙাকপু শোয়দনা থাগৎনরক্কনি। অথিংবা লৈনা লৈনা থওই ৱাওইদবদা অকন অরিং শিংদুনা ফন্দগী নমাদা হাওসি তৌরকপা অসি খুলগী লৈকায়গী মীওই কয়াদি মদুবু য়ানিংদবনা মশীং ফনা শাথিনা হেল্লিবনি। য়াদেসে হায়বসিমদি অদুমক য়াদনা লৈহন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু। অততাই ওইনা ঐখোয় মশেল ঙাঙনবনা, থিংবনা মমৈদা নুংশিনদবা অমা শোয়দনা লাক্তনিঙাই লৈরোই। নৎত্রগনা ঈহিং-নাইহিং তান্নবগী ফীভমদা লাক্কদৌরিবনি। লৈঙাক্লা থিংবগী থিংবা থিংবীরো। মমিং ফাওবা মুখৎনবা হোৎনবীরো। মসিনা লমদমসিগীদমক্তদি খ্বাইদগী ফবা হায়বদু শোয়দনা ওইরগনি হায়বগী থাজবা লৈজে।

*অদোমগী- অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

# ঐখোয় অফ্রিকানশিংগী মচা-মশুরা?

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**মীতৈ-নাগা-কুকি,** আসামিজ-বঙ্গালি-পঞ্জাবি, অমেরিকান-ইন্দিয়ন-রসিয়ন... হায়বা মীওই কাঙলূপ কাঙলূপ খায়দোক্তুনা, শম্বল চাইগোইনুংদা লৈনদ্রিঙৈ মমাঙদা মী কৌবা থৱায়পানবা জাতি অসি করি ওইরম্বগে? লাইনা মী শেম্মি হায়নরিবসিবু মীতৈগী লাই, নাগাগী লাই, পঞ্জাবকী লাই, অমেরিকাগী লাই, রসিয়াগী লাই হায়দুনা লাই ময়াম অদুসু মাগী মাগী, হেনজিন্নবা য়াদবা ইংখোল'নুংদুদা ফমদুনা/লেপ্পুনা শানখিবজাৎলা? অমগা অমগা অসি য়ৌনা নুংশিনদ্রিবা, য়েংথীনরিবা, মাঙহন্নবা, তাকহন্নরিবা অসি য়েংলুরগদি খল্লকই - মখোয়বু শেম্বা লাইশিংদুসু অমত্তা নুংশিনরম্লোই।

অদুবু, কনাগুম্বা ৱাখল লৈবা খরনদি হায়রম্মি - গোদ ইজ ৱান এন্দ ওমনিপ্রজেন্ট (লাই হায়বসি অমত্তনি, মফম খূদিংমক্তা লৈ)। অমত্তা ওইবা ঙমদ্রিবদি, তোখায় তোখায়বা কাখু মচা-মচাশিংদা য়োক্লক-চাউরকখ্রবা মী মচা-মচাশিংসিগী ৱাখলসিনি। ঐগী লাইনা অথোয়বনি, মহাক্তনা অরোইবনি - অতৈ লাই পূম্ব'না ফত্তবা লাই ঙাক্তনি... ঐনা চৎলিবা লম্বীসিতনা লাইরৈবাক (স্বর্গ) য়ৌবা লম্বীনি, অতৈ লাইনীং লম্বীনা 'নরক' তম্না চৎপনি ... হায়বনচিংবা ৱাহায়শিংদা থাজবা লাকখিবদগী মালেমদা শান্তি মাঙখিবনি, নুংশিনবই মহুত্তা তুক্কচ্চনবা হৌখিবনি।

লাইগী ৱারীসি তোকখিসি। ঐখোয় অসি কনানো? কদায়দগী হৌরকপনো? হায়বা ৱাফম অদোমদা হাইফেৎ ৱাখল থাদরুসি। সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন-হুমজিনবদগী ফংলকপা ৱাফমশিংদু নীংশিংলুসি। ঐখোয়গী য়ূম্নাক-শাগৈ তোঙানবগুম, থৱায়পানবশিংগীসু শাগৈ লৈ। তুমিৎ, কাঙ, শা, ঙা, উচেক অমদি মী ... থৱায়পানবশিংগী শাগৈনি। সাইন্টিষ্টশিংনা 'স্পেসি' হায়নরম্বদুবুনি। মীগা খ্বাইদই নক্লবা থৱায় পানবই শাগৈদি 'য়োং' হায়বা কাঙলূপসিনা ওইগনি। 'মী' কৌবা কাঙলূপসিনা মনুং চল্লিবা শাগৈ (স্পেসি) দুগী মমিঙনি - 'হোমো সেপিঅনস'। হিন্দু - ইস্লাম-বুদ্ধিষ্ট-খৃষ্টিয়ন ... ময়াম অসি থোরক্লিঙৈ, 'হোমো সেপিঅনস' কৌবা থৱায়পানবা কাঙলুপ অসিনা মালেমসিদা থুংলদ্রিঙৈ, দাইনোসরশিংনা মালেমদা খুনলিংদুনা পাল্লম্মি - হায়নৈদনা। 'হোমো সেপিঅনস' হায়বা ৱাহৈ অসি লেটিন লোন'নি। ৱাহন্থোক্তি 'লৌশিং-শিংবা-মী' হায়বনি। মখোয় করম্বা মতমদা মালেমসিদা থুংলখিবনো হায়বদু কনামত্তনা হায়বা ঙমদ্রবসু, সাইন্টিষ্টশিংনা খোঙ্গুল-লীক্লম-লীবা (ফোসিলনচিংবা) দগী ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না, হোমো সেপিঅনশিংনা মালেমদা ঈহান হান্না খোঙদারকখিবসি চহী লাখ অমদগী অনী ফাওবগী মমাঙদা, অফ্রিকাদনি থাজনৈ।

নূংগী যুগকী মী - হায়রগসু খঙনবা, থৱায় পানবা মখল অসি অফ্রিকাদগী মায়কৈ কয়াদা চোইন-চাইনা শন্দোকখিবনি (চৎনখিবনি) হায়বা ৱাখল্লোন (থিওরি) অসিবু 'আউট ওফ অফ্রিকা' হায়না খঙনৈ। 'আউট ওফ অফ্রিকা' গী থিওরি অসিসু 'অরীবা ভর্জন' অমদি 'অনৌবা ভর্জন' হায়দুনা মখল অনী থোক্লা খায়দোকই। 'অরীবা ভর্জন' অসিগী মতুংইন্না মখোয়না ইন্দিয়াদা থুংলখিবসি চাউরাক্লা চহী ৭৪,০০০ দগী ১,২০,০০০ গী মমাঙ অদুৱাইদনি হায়। 'অনৌবা ভর্জন' গী মতুংইন্নদি চহী ৫০,০০০ দগী ৬০,০০০ ফাওবগী মমাঙদনি হায়। অতোপ্পা, নৌনা থিজিনবা সাইন্টিষ্টশিংগী রিপোর্ট মতুংইন্না, ওষ্ট্রেলিয়াদা মোদর্ন মেনশিংনা খুন্দাবা হৌরকখিবসি ঙসিদগী চহী ৬৫,০০০ গী মমাঙ অদুৱাইদগীনি হায়বা খঙলে। মসিনা অচুম্বা ওইরবদি মখোয়না (হোমো সেপিঅনস ময়ামসিনা) অফ্রিকা থাদোক্তুনা ইন্দিয়াদা থুংলখিবদু মতমদুগী আ মমাঙ, চহী কয়াগী মমাঙদা শোয়দনমক্কী ওইগনি থাজনৈ। মরমদি, অফ্রিকা থাদোক্তুনা লাক্লগা অহানবা থুংফম ওইবা কংফাল লৈবাকসি ইন্দিয়ানি। অসুম্না লেপ্পা লৈতা থিজিল্লিবা থিজিল্লোয় (রিসর্চর) শিংগী রিপোর্ট মতুংইন্না, ঙসি, পূম্নমক্লা য়ানরবা ৱাফমদি অসিনি - হোমো সেপিঅন হায়বা মীওইবগী শাগৈসি ঙসিদগী চহী ২০০,০০০ মুক্কী মমাঙদা অফ্রিকাদগী হৌখিবনি। বৃটিশকী কোলোনিয়েল রুল, মালেম শীন্ন শন্দোক্লম্বা অদুগুম হোমো সেপিঅনশিংগী মালেমগী মফম পূম্নমক্তা 'কোলোনি' শেম্নবা খোঙচৎ অদু চহী ১,২০,০০০ দগী ১,০০,০০০ মুক্কী মমাঙদা 'লেভান্ট' অমদি 'নোংচুপ এসিয়া' রোমদগী হৌরকখি, মায়কৈ ফাংবা খোঙচৎ অমা চহী ৭০,০০০ গী অদুৱাইদগী হৌরকপনা 'খা-এসিয়া' দা ৬০,০০০ গী অদুৱাইদা য়ৌরকখি, ৫০,০০০ গী অদুৱাইদা ওষ্ট্রেলিয়া য়ৌরকখি। যুরোপলোমদা য়ৌখিবনা ৪৫,০০০ অদুৱাইদনি।

ৱারী অসিদগী খঙই - মদুদি, অফ্রিকান নত্তবা মীওইবা জাতি পূম্নমক অসি, মতমদুদা অফ্রিকা থাদোক্তুনা লাকখিবা মীওই খুজোক খরদুগী মচা মশু ঙাক্তনি। য়াল্লবদা মখোয় লীশিং অমরোমদগী পঙহেন হেল্লম্লোই।

'ঐখোয়গী হৌরকফম অফ্রিকা' নি ... ঐখোয়গী অশেঙবা ঈপা-ঈপু অফ্রিকাদা লৈ ... হায়বা ৱা অসি তাবদা পীশুম সুকলোইদবা মীতৈ/মণিপুরী মচা (চীংমীশিংসু য়াওনা) পঙলৈ লৈরোই। অদুবু, মণিপুরগী মফম অমত্তদা ফোসিলনচিংবা থিদুনা নত্রগা নৈনদুনা, মফমসিদা মীওইবা কৌবা জীব পানবা অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবনো হায়বনচিংবগী সাইন্টিফিক ষ্টদি অদুদি কনামত্তনা তৌখিদে। চহী লীশিং খরগী মমাঙদা, কদায়ৱাইদগীনো অমা মফমসিদা লাকখিবনি হায়বসিমবুদি তপ্প-তপ্পা য়ানরক্লি। গ্রীরসন অমদি কোনোব কৌবা স্কোলার অনীনা মীতৈ হায়বা ফুরুপসি 'টিবেতো-বর্মন' গ্রুপতা চল্লি, 'মীতৈলোন' হায়বা লোন অসিসু 'টিবেতো-বর্মন-লোন' নি হায়না ইরম্বদুদা, ৱাফম অসি অচুম্বনি - খন্নদুনা লাকই মতম অসুক কুইবনি। অদুবু, ৱাফম অসি অরানবনি হায়বসি সাইন্টিষ্ট অমদি লিঙ্গুইষ্টিক এক্সপর্টশিংনা প্রমাণ তৌদুনা উৎখরে।

হ্যুমেন এক্সপান্সনগী হিষ্টরি য়েংলুরগদি - মীতৈ/মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসি ৱেষ্ট-ইন্দিয়া (নোংচুপ থংবা ইন্দিয়া) রোমদগী নোংপোকথংবা এসিয়া (অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া) রোমদা লাকপনি হায়বসি ওইফম থোকই। চীনবুং ৱারী অমদি আর্কিওলোজিকল ইভিদেন্স নত্তনা, ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়বা উৎনবা জিনেটিক ইভিদেন্স অদুদি সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোকপা ঙমদ্রি। মেঘালয়দা খুন্দারিবা 'খাসি' হায়বা ফুরুপসিদি 'অষ্ট্রোএসিয়াটিক' ওইবা লোন ঙাঙই, অমদি দি এন এ টেষ্ট তৌদুনা 'কাঙলূপ অসিগী মীওইনি' হায়বদু জিনেটিকেল্লি প্রমাণ তৌদুনা উৎখরে। অদুমকপু, মণিপুরগী অরীবা চীংগী শুরুংনচিংবদা ফংলকপা, অরীবা মতমগী মীনা শীজিন্নরম্বা নূংনা শাবা খূৎশু-খূৎলায় উরগা আর্কিওলোজিষ্টশিংনদি হায় - মখোয়শিং অসি পালিওলিথিক অমদি নিওলিথিক মতমগী খূৎলায় ঙাক্তনি, নোংচুপ থংবা ইন্দিয়ারোমদগী লাকপা মীশিংনা অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়ানি হায়রিবা লমসি ফাওরগা খা-থংবা এসিয়া, টিবেত অমদি চিনা পাংনা চৎখিবনি হায়বা হ্যুমেন এক্সপান্সনগী ৱারোল অসি চুমগনি।

ৱাফমসিনা চুম্লবদি চিনা, বর্মা, থাইলেন্দলোমদগী লাকপা মৈতৈশিংনি হায়বা ৱারীসিনা কমদৌবা? মখোয়রোমদই লাকপা নত্তবা, ঐখোয়রোমদই চৎখিবনি হায়সিরা?

# মণিপুরদা প্লাষ্টিক থিংবা ঙমগদৌরিব্রা?

**সোরোক নোরেন**

**থিংবু** থিংলবদি ইফদা ফরে। অদুবু লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা মণিপুরদা প্লাষ্টিক মাইক্রোন ৫০গী মপাঙ্গল য়ৌদবা পূম্নমক শীজিন্নবা থিংলে হায়না লাউথোক্লবসু মপূং ফাবদি ঙমদ্রি। লুরিবদি মফম খুদিংমক্তা পাক শন্না চাইথোক্তুনা লৈখ্রবা প্লাষ্টিকশিং অসি কমদৌনা মহুৎ শিনগদগে হান্না খন্নদ্রিঙৈদা থিংলে হায়না হেক্তমক লাউথোকপসি ঙনমন্দ্রা।

প্লাষ্টিক অসি ঙসি ঙসিমক্কী ওইনা মীওইবনা হিংলিবা পুন্সি মরেল অসিদা প্লাষ্টিক শীজিন্নদবা করম্বা মতাং য়াওরবগে। শম্না হায়রবদা প্লাষ্টিক্তি মীওইবগা থাদোক্লবা ইয়া য়াদ্রে। অদুবু অসুক কান্নখ্রবা পোৎশক অসিনা হীরম খরদদি মীওইবগী পুন্সিদা অসুক্কী মতিক খুদোংথিবা ওইরি হায়বসি খঙলকপসিদা করিনো মীওইবনা তৌগদৌরিবা। অসুক খুদোংথিগনি খঙলম্লগদি প্লাষ্টিক অসি পুথোক্লমগদ্রা। হকচাংদা শোকই খঙনা খঙনা মৈখু শীজিন্নববু কদায় য়ৌনা থিংলবগে। 'সিগ্রেট স্মোকিং ইজ ইঞ্জুরিয়স টু হেলথ' বোক্স মখুমদা অদুম থারিবনি। থকসু অদুম থক্লি। পোৎ অমবু চপ চানা থিংগে হায়রবদি ফংহন্দবা, মসিনা খ্বাইদগী অচুম্বা খোঙথাংনি। নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা পোৎ অমবু খুদক্তা হেক্তা থিংজিনবা হায়বসি ফৎত্রে হায়রগসু অচুম্বা খোঙথাংদি নত্তে। হায়বদি নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা পোৎশক অদুগী চপ চাবা মগুন লৈবা মহুৎ শিন্নবা পোৎ অমা হান্ননা শেম শাবা চঙই। হায়রিবা মহুৎ শিন্নবা পোৎশক অসি কয়া য়াম্না মরাং কায়রে অমদি তুং কোয়না চৎনবা ঙমগদৌরিবরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমদি ওইরি। মহুৎ শিন্নবা পোৎ অদুবু লৈরবদি চৎনহন্নীংদবা পোৎশক অদু থিংবদি খরা লায়না থোকপা য়াই। মদুমকসু ওই হায়দুনা থেংনগদৌরিবা খুদোংথিবা খোঙথাং কয়ামরুমদি লোইনবা তাবনি। মরুওইনা মাইক্রোন ৫০গী মপাঙ্গল য়ৌবা ঙমদবা প্লাষ্টিক কেরি বেগ অমদি খাউ মচা মচা কয়ামরুম অসিগী শীজিন্নফম অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। ইরায় লায়বা থবক অমদি নৎত্রবসু থিংসি হায়দুনা লৈঙাক্কী চপ চাবা ফীরেপ অমদি লৈরবনিনা ঐখোয় পূম্নমক্লা খূৎশম্নবগী তঙাইফদবদুদি লৈরি।

হৌজিক ঐখোয়গী মাংদা তাদুনা লৈরিবা চাউর-চাউরবা থৌদোক কয়াসিগী মনুংদা আই এল পিগী মঙম শান্দ্রিবা খোঙথাং অসিনা প্লাষ্টিক্কী মরুওইবা য়ূম্ফম অমসু ওইখিব্রা খল্লি। মীতোপ মীরানচাশিংনা মশা মথন্তা লাক্তদুনা মখূৎতা করবার তৌনবা প্লাষ্টিক কেরি বেগ পায়দুনা লাকখিবদগী হৌরক্লিবনি। কয়াদি নুংঙাইরে। তুংগী অফ-ফত্ত খন্দনা পোৎ লৈথোক লৈশিন, পুথোক-পুশিন্দা খ্বাইদগী লাইবা পান্থে অমদি ওইরি। মীয়াম মাংদা উহন্নীংদবা পোৎ অমা লৈগে হায়রবসু অমুবা মচুগী পোলিথিন বেগতা হাপ্পুনা পুরকপদা করিসু নুংনাংদ্রে। অসুক নুংঙাইখ্রবা পোৎ অসিনা অসুক তমথিবা ওইরকপসিদা চেকশিন্দবদি য়াদ্রি। অদুবু মতৌ করম তৌরগা প্লাষ্টিক অসি মীওইবগী পুন্সিদগী লাপথোক্লবা হোৎনহৌদবা য়াদবনিনা থেংলবসু থেংনা লৈঙাক্লা থাংলক্লিবা খোঙথাংসিবুদি থাগৎফম থোকই। প্লাষ্টিক ফ্রী ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনবা তরাই তরাইবদি নত্তে হায়বা লৈঙাক্লসু মুন্না খঙলমগনি। অদুগীসু মথক্তা অখঙ অহৈ কয়ানা মুন্না খন্নরবগী তুংদা লৈঙাক্কী ওইবা ফীরেপতি লৌদুনা অথিংবা থল্লে হায়দুনা লাউথোকখ্রে। অদুবু লাউথোকখিবা নুমিৎতগী ঙসি থা ফারবফাওবা করি করম্বা অচুম্বা ময়োন পুরক্লবগে হায়নীংঙাই ওইরি। করম্বা খোঙথাং অথিংবা রোমদা নৎত্রগা লোন্না শীজিন্নরম্বা মীওইদা করম্বা মখলগী দন্দি ফংহনবা য়াওখ্রবগে। অথিংবা থম্বদনি চপ চানা থিংবা ঙমদ্রি। প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংলে হায়বা মীপুম তিংনা খঙবা ঙমদ্রি। লৈঙাক্কী মায়কৈ অসোমদা তৌগদবা থৌদাং য়াম্না চাওরি। অথিংবা থল্লে হায়রগা তুমিন্না লৈথোকপা য়ারোই। অথিংবা অসিগী মায়োক্তা লেপ্পকপা খুদিংমক থেংনবা তাই। অথিংবা অসিগী অর্থ লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। নৎত্রবদি লৈঙাক্কী ফীরেপ মমল য়াওরক্লোই। মীপুম তিংনা লৈঙাক্কী প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংলিবসে শোয়দনা খঙনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। করি মরমগী মাইক্রোন ৫০ য়ৌদবা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংলিবা। হীরম অসি মুন্না খন্থমিন্নবা অমা চঙলি। লৈঙাক্কী ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন এক্টকী মখাদা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা লৈবা খুদিংমক চৈরাক ফংবা য়াই হায়রি।

ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা ওগষ্ট ১৯দা অথিংবা থম্বগী নোটিফিকেসন থোকচরবসু প্লাষ্টিক ফ্রী জোন ওইরে হায়না লাউথোকখিবা কৈথেলদি মণিপুরগী ওইনা লম্মাংদোং কৈথেলনি। অপূনবা কৈথেলমক প্লাষ্টিক ফ্রী ওইহনবা ঙমদ্রবসু লম্মাংদোং কৈথেলবু মশক তাক্লিবা শোইদোন খক্তদা প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা হোৎনবা হৌখিবসি জুলাই ৩০, ২০১৭তনি। অহানবা ওইনা খোঙথাং অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা নুমিৎ খরদি অৱাবা মায়োক্লবা তারি। অদুবু ঙসিদি হীরম অসি অচুম্বা লম্বেলদা লাকপগুম তৌরি। কমদৌনা শোইদোন্দা প্লাষ্টিক ফ্রী ওইহনবা ঙমগনি। হায়দোকপদদি য়াম্না লায়রবসু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা অরুবা অমসু ওইখি। হৌজিকসুনি খোঙথাং অসি মপূং ফানা মায় পাক্লে হায়বা য়াদ্রি। চঙশিল্লিবা লমলেন অসি মনিংলোমদা হল্লক্ত্রি হায়বখক্তনি। অহানবদা কমদৌনা শোইদোনবু প্লাষ্টিক ফ্রী ওইগদৌরিবনো খনবদদা অদুম অরুবা ৱাহং ওইরে। শোইদোন য়োল্লিবা পোৎ অসিদং হান্না প্লাষ্টিক শীজিন্নদ্রবদি অহানবা খোঙথাং ওইনা হৌবা য়াগনি খনবদগী শোইদোনবু প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা হোৎনবনি। লম্মাংদোং কৈথেলগী ওইনা শোইদোন য়োন্দুনা চরা নোংখম্নরিবা শোইদোন তেন্দর অসি ২৬ লোমনি। অদুবু চাং নাইনা কৈথেল থোক্লিবা মশীংনা ১৫/১৬ তনি। হায়রিবা ১৫/১৬ অসিগা পূন্না কয়ারক ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নরবগী তুংদা য়ান্নবা অমা পুরক্লিবনি। অহানবা খোঙথাং ওইনা শোইদোনবু য়োল্লিবা প্লাষ্টিক অসিগী মহুৎ করিনা শিনগদগে মুন্না খন্নরবা তুংদা লানা শিন্নবা উপায় থিরকপনি। ঙল্লিঙৈ মতমদসু প্লাষ্টিক ফংদ্রিঙৈ শোইদোন অসি হোঙু লাদা য়োমদুনা তম্নরমই হায়। অদুবু মতমদুদি হোঙু লাসু মরাং কায়রম্বনা থোইদোক্লা অৱাবা লৈরমদে হায়বগী পাউসু ফংই। হৌজিক্তি হোঙু লাসু থিবা ফংদ্রে। অদুগা লাসু মরাং কায়না লম্মাংদোং কৈথেলদা ফংলক্ত্রবনা খোঙথাং অসিদা অরুবা অমা ওইখিবনি। শুপ্নগী লম্মাংদোং কৈথেলদা লা য়োনবী ওইদুনা পোৎফম ফল্লিবী অসি অনীখক্তনি। অহল অনীসিগী মপাওদগী থাংজিল্লিবা খোঙথাং অসি মালেমদা চঙশিন্নবগী মচাক অমা ওইখি। তৌবদি লা য়োনবী অনীসিনা লম্মাংদোং কৈথেলদা লাগীদমক থিরকপদা কৈথেলগী মায় ঙাক্লবসু হিংবদদি মরেক মহাও থোকপা পোৎয়োন্দি নৎত্রে। লাপুন অমদা লুপা ৫/৫ পীরবসু নোংমদা লাপুন ৫০ ফানা শিৎতবা নুমিৎসু য়াওই হায়রি।

অসুম্না লা য়োনবী ওইবদা যূম পুবা ঙল্লত্তবগী মচাক অসি প্লাষ্টিক অসিসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। অদুগা মতম অমদা লম্মাংদোং কৈথেলদা চীংমী ইচে ইচনশিংগী কোক্কী মবুক থন্নবা শম অমদি মপোৎ ফারবা জীপকী লাপুনশিংনা থঙ্গাল খুন্দগী লম্মাংদোং কৈথেল তম্লক্লম্লবসু ঙসিদি লাগী শীজিন্নফম লৈরক্ত্রে। লাপুন ৫০ য়োনবদা ৱারবা কৈথেল অসিনা ঙসিদি নৌনা প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইররি। চয়োল অমগী মনুংদা অনীরক পুরকপা লাপুনশিংনা শিৎপা ঙল্লমদবদু ঙসিদি তঙাইফদনা শোইদোনবু প্লাষ্টিক ফ্রী ওইবদা অঙম্বা মতেং পাংনরে। শোইদোন য়োনবী ১৫/১৬ অসিগী তঙাইফদবা লাপুন অসি ২২০/২৩০ মুক নোংমগী দরকার ওইবনা পীবা ঙমগদ্রা হংনবদা মতম খরসু অদুম লৌখি। থাঙ্গাল খুনগী লা পুরকপী চীংমী নিঙোল পাউ ফাওননবা হোৎনবদসু অমুক থেংখি। অরৈবা খরনা হৌজিল্লুরগা লাগী পোত্থোক তৎখ্রবদি মপূং ফাবা ঙল্লোইদবনা চীংমী নিঙোলদুগী তং তাবা ফাওরবা কান্দা প্লাষ্টিক্কী মহুৎ শিন্নবা খোঙথাং য়াৎপা হৌরকপনি। মসিদা নত্তনা শোইদোন য়োল্লিবী মীতৈ নিঙোলশিংদি ইচম চম্না লুকমাইদা হেক্তা য়োনবা য়াবা পোৎ নত্তে শোইদোনদি। মরমদি ৱাগী নৌরিবা উশোয়দগী লুকমাইদা য়োনবা য়ারবা শোইদোন ওইনা পুথোরক্লবা হোৎনবদা মশানা নুমিৎ ২০নিমুক্কী লেবর থাদরগা ওইবা পোৎ ওইবনা অরেম্বা মতম কাইথোকপা ঙমখিদে লা লৈননবগী। প্লাষ্টিক খাওদি আই এল পি কাঙবুনা পোৎফমদা লাক্লগা য়োল্লরবা কৌবনা অহেনবা মতম লৌদ্রবসু য়াই। অদুগা মমলসু হোংনা ফংই। শোইদোন হাপ্পা য়ারবা প্লাষ্টিক খাও অসি পেকেট অমদা মশীং ৩০ চল্লি। মমলনা লুপা ১০ পেকেট অমদা। অদুনদি প্লাষ্টিক পিচ অমদা পৈশা ৩০গুম্বা চিংলে। অদুগা লা লাপুন অমদা লুপা ৫ পী। লাপুন অমনা শোইদোন ময়োম মঙা য়োম্বদা মপূং ফাদবসু য়াওই। অদুনদি লানা য়োম্নবা হোৎনবদা প্লাষ্টিক্তগী লানা হেন্নসু চাদিং তৌবা হেল্লি অমসুং য়োম্বদা মতমসু মাঙই। কষ্টমরনসু লাদা য়োম্বসে পাম্বা ৱাৎলি। মরমদি ত্রাফিক্কী খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা অথু অকায়গী তাপ লাওনা পায়রগা চৎখিবা য়াবদু ওইনা পাম্বা হেল্লি।

হায়রিবা থৌওং অসিদা শোইদোন য়োনবীশিংদি প্লাষ্টিক ফ্রী শোইদোন ওইনবা হোৎনবদা ইমাঙদা মাঙজরে। লাদা য়োল্লুবদগী শোইদোনগী পোৎশিং ৱাৎলে হায়দুনা ৱাকৎ কয়াসু থল্লিবনি। মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়দুনা য়াম্না কন্না অমাঙ অতোং থীজিল্লুবা তৌদ্রবা লম্মাংদোংগী শোইদোন য়োনবীশিংবু মীপুম খুদিংমক্লা থাগৎফম থোকই। ঙসিদগী থা অমা মখায়গী মমাঙদগী 'শোইদোন অমা লৈ অমা' হায়বা স্লোগানগা মরী লৈননা শোইদোনবু প্লাষ্টিক ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোকখিবনি। ঙসি ফাওবদি শোইদোন প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনা চৎলি। প্লাষ্টিক ফ্রী ওইরে হায়রিবসি শুপ্নগী শোইদোনবু য়োম্বখক্তনি। লুকমায়দা থাদুনা থল্লিবা শোইদোনশিং অদুদি প্লাষ্টিক্তগী লাপথোকপা ঙমদ্রি। নুমিৎ খুদিংগী অপাকপা প্লাষ্টিক্কী মহুৎ লানা শিনবা তারবদি শোইদোন ফংবা ঙমদবা য়াওরক্কদ্রা মীপাইনরি। লৈঙাক্লা প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা হোৎনবদা মতেং অমত্তা ফংদনা শোইদোন য়োনবীনা করিগী অৱাবা পোৎলুম পুগদৌরি হায়বা খোল্লাউসি প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা হোৎনরুবা শোইদোন য়োনবীগী মীচৈ চারি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে লম্মাংদোং কৈথেলগী 'শোইদোন অমা লৈ অমা' না শৈহৌ ওইরগা শোইদোনবু প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবগী খোঙথাংসে লৈঙাক্লা শৌগৎপিফম থোকই। চুম্নগী প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা হোৎনবদা নত্তনা কৈথেল অসিবুসু তরু তনান্না থম্নবগী মচাক অমনি 'শোইদোন অমা লৈ অমা'। লম্মাংদোং কৈথেলবু মশক তাক্লিবা শোইদোন্না, অথোৎপা ফজবতনা মশরুক ওইরবা লৈরাংশিংগা মরুপ ওইরগা থাংখিবা অহানবা খোঙথাংনি। শোইদোনবু প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা। ঙসিদি অহানবা খোঙথাং থাংবা হৌরবনিনা অপূনবা লম্মাংদোং কৈথেলবুসু প্লাষ্টিক ফ্রী কৈথেল ওইননবা পোরম পূম্নমক য়াৎপা লোইরে। অতেনবা মতমদা লম্মাংদোং কৈথেল প্লাষ্টিক ফ্রী কৈথেল ওইনা লাউথোরক্লবগী মীকুপ্পু ফাওবদি ঙাইমিন্নবা তারি। তৌবদি হৌজিক শীজিন্নরিবা অপাবা প্লাষ্টিক মাইক্রোন ৫০ য়ৌদবসি লম্মাংদোং কৈথেলদা ফংদ্রবা মতমদা কৈথেল অসি প্লাষ্টিক ফ্রী ওইরে হায়গদৌরিবনি।

অরোইবদা, অপীকপা কৈথেল লম্মাংদোংনা অহানবা খোঙথাং ওইনা শুপ্নগী পোৎফম ১৫/১৬ খক্তং প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা হোৎনবদা চঙলিবা মতম, থৌদোক কয়া, অৱাবা কয়া থেংনরি। অদুবু চাওরবা ষ্টেট অসিনা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংলে হায়রগা হেক্তা চৎনবা য়ারগদ্রা। অসুক য়ামখ্রবা মীয়ামশিংসিনা শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক অসিগী মহুৎ করিনা শিনগনি হায়বসিগী পোরম য়াৎতনা প্লাষ্টিক হেক্তা থিংবা ঙমগদৌরিব্রা।